ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

বি জে পি লম্লাই মন্দলনা শিন্দুনা বি জে পি ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর কে ঐচ ইবোমচাগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা জন জাগরন অভিয়ান হৌদোকপগী থৌরমদা এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা ৱা ঙাংবা

JANA JAGARAN ABHIYAN (ATMANIRBHAR KISAN)
লামায় ৩

কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা হৈরোক পার্ট ৱানগী ইমুং ১৭০দা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টিগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দিজেননা চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা মতেং পাংখিবগী শক্তম

বোসেমনা লৌবা মেত্রিক এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংলকপা খোংজোম সার্কলগী মহৈরোয়শিং তরাম্না ওক্তুনা মনা পীবগী থৌরম অমা সাউদর্ন য়ুথ ইনসেন্টিভ এসোসিএসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা

HONOURING MERITORIOU
OF
KHONG M CIR
IN HSLC EXAM-2
ON 14TH OCTOBER AT KHON
GANISED BY: THE SOUTHERN
লামায় ২

জিরিবাম পুলিসনা শীন্দুনা জন অন্দোলনগী শরুক অমা ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী মতাংদা ওটোরিক্সো ড্রাইভরশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম

Vol. 44, Issue No. 200 শগোলশেল, মেরাগী ২৮/২৯ নি পানবা অপুনবা লামায় মশীং ৮ HUEIYEN LANPAO, Thursday, October 15, 2020, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

মৈ ফংলোইদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস) : ওক্টোবর ১৯ অমসুং ২০গী অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ১ ফাওবা ১১ কে ভি খোংমন ফীদরনা কোনবা কোংবা রেভিন্যু সব-দিভিজনগী কঞ্জুমরশিংদা মৈ ফংহনবা ঙম্লোইদৌরি। জঙ্গল কট্টিং অমদি অতৈ থবক থৌরমশিং লৌখৎকন্দবা লৈবনা ওক্টোবর ১৫দসু অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ১১ কে ভি য়াইরিপোক ফীদরনা কোনবা মফমশিংদা মৈ ফংহনবা ঙম্লোই হায়না মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদকী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

এম এল এ ২২ এদভাইজর খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস) : অরুনাচল প্রদেশকী এম এল এ ২২ তোঙান-তোঙানবা মিনিষ্টরশিংগী এদভাইজর ওইনা খনখ্রে। চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুনা মরী লৈনবা এম এল এশিংদা এদভাইজর খনবগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর খুৎশিন্নখি। মশিং য়াম্লবা এম এল এশিং এদভাইজর ওইনা খনবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মদুদি অহেনবা তোলোপ অমসুং অতৈ খুদোংচাবশিং পীরোইদবা মরম্না এম এল এ ২২ এদভাইজর ওইনা খনবগী থৌওং অসিনা লৈঙাক্কী শেনগাওদগী অহেনবা শেনফম চৎপগী ৱাফম লৈরোই। মমাঙদা এম এল এ ২সু তোঙান-তোঙানবা বোর্দকী চ্যেরমেন ওইনা খনবা লৈখ্রবনি।

সাইকোলোজিকেল ফর্ষ্ট এইদকী খুদোংচাবা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা অঙাংশিংদা পীরক্লিবা পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবগী পান্দমদা নেসনল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা তোল ফ্রী ওইবা টেলিফোন ১৮০০-১২১-২৮৩০গী খুথাংদা সাইকোলোজিকেল ফর্ষ্ট এইদ অমসুং ইমোসনেল সপোর্ট পীবা হৌরে হায়না মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

HL Poll

Q: Mathang chahida Covid-19gi vaccine meeyamda phanghallagani haiba union health ministergi wapham thajaningai oibra ?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Handak pangthokkadouriba marakki meekhalda BJP gi meerep pumnamak mai pakkani haibagi thajaba leibra?

Yes 29% No 71%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৯.১৫ °C

খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৭৪ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৪

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৪৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- মমা ইবেম্মা, মণিপুরগী ৱাথোক পুন্বা লোইনা মখা তানা লৈররোই অওনবা য়াম্না উই !

- ꯃꯃꯥ ꯏꯕꯦꯝꯃꯥ, ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯋꯥꯊꯣꯛ ꯄꯨꯟꯕꯥ ꯂꯣꯢꯅꯥ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅꯥ ꯂꯩꯔꯔꯣꯢ ꯑꯣꯟꯕꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯎꯢ!



- নুংঙাইবা মণিপুর ওইরসে, য়াইফরে।

- ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯑꯣꯏꯔꯁꯦ, ꯌꯥꯏꯐꯔꯦ꯫

মীওই ৬ শিখিবদগী কোভিদ-১৯না মণিপুরদা শিহনখিবা মীশিং ১০৩ য়ৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই তরুক শিখিবদগী মণিপুরদা কোভিদ-১৯না শিহনখিবা মীশিং পুন্না ১০৩ য়ৌখ্রে হায়না কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ৭৩ শুরবা নুপা অমা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ৪৯ শুরবা নুপা অমা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ৭৩ শুরবা নুপা অমা, কাংপোকপীদগী মশাগী চহী ৪০ শুরবী নুপী অমা, ইম্ফাল ইষ্টতগী মশাগী চহী ৫০ শুরবা নুপা অমা অমসুং তমেংলোংদগী মশাগী চহী ৮৮ শুরবা নুপা অমা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লৈখিদবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৮১ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ)কী পর্সনেল ২০ য়াওনা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৩০১ থেংনখ্রে হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, জেনিমসতা কেস ১২৭, রিমসতা ৪৪, ককচিংদা ১৫, সেনাপতিদা ১, হিলসাইদ হোস্পিটালদা ৪, খৃষ্টিয়ন হোস্পিটালদা ২, থৌবালদা ৫০, নোনেদা ১, চান্দেলদা ১৪, পব্লিক হোস্পিটালদা ১, চুড়াচান্দপুরদা ১২, বিষ্ণুপুরদা ৮, আর দি ৱিংদা ১, রাজ মেদিসিটিদা ৫, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ২, রেমিদি হোস্পিটালদা ১, কাংপোকপীদা ৫, তমেংলোংদা ৩, মাদরস ক্যেরদা ১, উখ্রুলদা ৩ অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতা কেস ১ থেংনখি।

নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৪৯, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৯৪, থৌবালদগী ৫৭, উখ্রুলদগী ৩, কাংপোকপীদগী ২১, বিষ্ণুপুরদগী ৯, চান্দেলদগী ১৪, তমেংলোংদগী ৪, ককচিংদগী ১৫, চুড়াচান্দপুরদগী ১২, নোনেদগী ২ অমসুং সেনাপতিদগী ১ য়াওরি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী মীওই ৭ নত্তনা অতৈ মীওইশিংদি মপান্দা চৎলুবগী ট্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা ঙাক্তনি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ৮৬ দিসচার্জ তৌখি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, নাবা ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা সী এ পি এফকী ৪, হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈবা মীওই ৭, আর দি ৱিংদগী ৩, য়ুনাক্কোদগী ২২, লম্বোই খোংনাংখোঙদগী ৪০, নোনেদগী ১, থৌবালদগী ৩, বিষ্ণুপুরদগী ৫ অমসুং পি আর ককচিংদগী ১ য়াওরি। ষ্টেটকী অপুনবা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং ১৪,০৯৪ লৈবগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১১,৫২৬ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২,৫৬৮ য়াওরি। লায়েংবদগী ফগৎলক্লবা মীওই ১০,৯১৫ গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৮,৭১৮ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২,১৯৭ নি। এক্টিভ কেস ৩,০৭৬ লৈবদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২,৭০৯ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩৬৭ য়াওরি। হৌজিক ফাওবদা নাবা ফগৎলকপগী চাং চাদা ৭৭.৪৪ ওইরে হায়রি।

লিলোং পুলিসনা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৯,৮০০ ফাখিবগী কেস

টি ঐচ বৃন্দা য়াওনা পুলিস পর্সনেল ৩, ভি দি এফ ১ কোর্টতা লাক্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০১৯গী মার্চ ১১ গী নুমীদাংদা লিলোং পুলিসনা সী দি ও/থৌবালগা খুৎশম্নরগা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৯,৮০০ ফাগৎখিবা কেসকী চার্জশীটতা একুইজশিং ওইনা চার্জ তৌরকখিবা অপুনবা মীওই ১৪গী মনুংদা য়াওরিবা পুলিস অমসুং ভি দি এফ পর্সনেল ৯গী মনুংদা ঙসি লাক্নবা কোর্টনা সম্মোন নোটিশ ইস্যু তৌবদা মশা লাক্তবা এদিসনল এস পি থৌনাওজম বৃন্দা (৪১), মপুরোইবা আর কে চিংলেন, য়াইস্কুল জন্মষ্টান য়াওনা পুলিস পর্সনেল ৩ অমসুং ভি দি এফ ১ মথংগী কেস অসিগী নুমীৎতা মশা কারক্নবা কোর্টনা ওর্দর তৌখ্রে।

ওর্দর অসি ঙসি স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস), থৌবাল এ নৌতুনেশ্বরিগী কোর্টনা পীখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা লিলোং পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেসকী চার্জশীট অমসুং মসিগী সপ্লিমেন্টরি চার্জশীটতা একুইজনি হায়দুনা চার্জ তৌরকখিবা অপুনবা মীওই ১৪গী মথক্তা কোর্টসিনা কোগনাইজেন্স লৌখ্রবনি। অদুগা মখোয় ১৪ মক ঙসি কেস অসিগা মরী লৈননা কোর্টসিদা লাক্নবা সম্মোন নোটিশ ইস্যু তৌখিবনি।

অদুবু সম্মোন নোটিশ অসিগা মরী লৈননা ঙসি কোর্ট অসিদা চত্থখিবা প্রোসিদিংশিংগী মতাংদা স্পেসল জজ অসিনা পীখিবা ওর্দরনা হায়, একুইজশিংগী মরক্তগী এম দি অখম, এম দি নজির অহম্মদ, এম দি অনিশ খান, ইরেংবম রিশিকেশ, গোটিময়ুম প্রিয়োজিৎ, খাংজ্রাকপম শ্যামকুমার, কাংজম সনাতোম্বা, সলাম হিমট অমসুং বি রিশিকেশ মখোয়গী কাউন্সেলশিংগা লোয়ননা কারক্লে অমসুং পাৱর ওফ এটোর্নিশিং ফাইল তৌরে। একুইজ এম দি নৱাজ খানসু মশাক কারক্লে হায়রি।

অদুগা একুইজ এম দি ফেরোশ, রাধাকিশোর ৱাহেংবম অমসুং লাইশ্রম সঞ্জোয়গীনা মখোয়গী মহুৎ শীনবা কাউন্সেলশিং লাক্তুনা মখোয়গীসু পাৱর ওফ এটোর্নিশিং ফাইল তৌরে হায়রি। অদুম ওইনমক এম দি ফেরোশ (ভি দি এফ), রাধাকিশোর ৱাহেংবম (সব-ইন্সপেক্টর), লাইশ্রম সঞ্জোয় (পুলিস কন্সটেবল) অমসুং টি ঐচ বৃন্দা (এদিসনল এস পি) বুদি কোর্টনা লেপ্পা কেস অসিগী মথংগী নুমীৎতা মশা-মশা কারক্নবা কোর্টনা খঙহনখি।

কোর্টনা অপুনবা একুইজ ১৪গী মনুংদা ঙসি মখোয়গী মায়কৈদগী লেপকদবা কাউন্সেলশিংনা পাৱর ওফ এটোর্নিশিং ফাইল তৌরকখিবশিং কোর্টকী রেকোর্দতা থম্লে হায়খি।

অদুগা ঙসি কোর্ট অসিগী ক্রিমিনেল মিসেলিনস (বেল) কেস নম্বর- ১২৮ ওফ ২০২০ গী ওর্দরগী মতুংইন্না একুইজশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা পুলিস ইন্সপেক্টর বি রিশিকেশনা মহাক্কী বেলগী মথৌ তাবা বোন্দশিং ফর্নিশ তৌখি। সিক্যুরিটি দিপোজিৎ ওইনা ফর্নিশ তৌরকপা লুপা লিশিং ৫০গী শেনফম বেঙ্কতা দিপোজিৎ তৌনবগীদমক কোর্টকী কেসিয়রদা খুৎশিন্নখি।

লোয়ননা কোর্টকী ওর্দরসিনা মখা তানা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

এন ঐচ পি সীগী ইথাই বেরাজগী গেট ৪ কম্মিসনগী ইন্টরিম ওর্দরনা থিংজিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)গী এক্টিং চ্যেরপর্সন খায়দেম মনিগী কোরমনা চত্থখিবা প্রোসিদিং অমনা হৌজিক ইথাই বেরাজদা নেসনল হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্ট (এন ঐচ পি সী) গী লৈরিবা গেট মরিসি শাগৎলিবা ওইরগনা লেপ্পনবা নৎত্রগা শাবা লোইরগনা ফঙ্কসন তৌদনবা মরক্কী ওইবা ওর্দর অমনা থিংজিনখ্রে।

কোরম অসিগী প্রোসিদিং অসি ঙরাং এম ঐচ আর সীদা পাঙথোকখিবনি। ইথাই বেরাজদা এন ঐচ পি সীনা অচৌবা গেট ৪ শাজিল্লে। করিগুম্বা গেটশিং অসি ফঙ্কসন তৌরক্লবদি মণিপুর রিভরগী নাক-য়েৎতা খুন্দারিবা মীওই কয়াগী খমথেংবা অৱাবা ওইগনি। অদুগা গেট ৪সিগী মথক্তা লান্দুনা চৎপদা অথিংবা পীরক্লগা খুঞ্জাশিংগী রাইট টু লাইফকী মায়োক্তনি হায়দুনা ৱাকৎলকখিবনি। ৱাকৎ অসি পুল্লেন পাৎ খোইদুম লমজাও কনবা অপুনবা লুপকী সেক্রেটরি সলাম জয়না পিটিসনর ওইদুনা ফাইল তৌরকপনি।

পিটিসন অসিগা লোয়ননা অতোপ্পা পিটিসন অমসুং রাইজিং ষ্টার ক্লবকী প্রসিদেন্ট অমসুং মীওই অনীনা কম্মিসন্দা ফাইল তৌরকখি হায়রি। ৱাকৎসিদনা ইথাই বেরাজদা এন ঐচ পি সীনা মোটোরাইজেসন গেট ইন্সটোল তৌনবা হোৎনরক্লিবসি অথিংবা পীবীয়ু হায়বসিনি।

ৱাকৎ অনীমক কম্মিসন্না লৌখৎলগা কমপ্লেন্ট কেস নম্বর- ১৪১ অমসুং ১৪৪ ওইনা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩গী সেক্সন- ১২গী মখাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে।

লোয়ননা ঙরাং চত্থখিবা প্রোসিদিংগী মতুংইন্না ককচিং অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংনা হীরমসিগী মতাংদা থা অসিগী ২৭ ফাওবগী মনুংদা কম্মিসনদা রিপোর্ট পীরক্নবা দিরেক্সন পীখি। অদুগা মরক্কী ওইবা ওর্দরদা কেস অনীসিগী প্রোসিদিং চত্থরিঙৈদদি হায়রিবা গেট ৪ অসি শাগৎলিবা ওইরগনা লেপ্পবা অদুগা শাবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

কান্ত রোয়গী মথক্তা লৌখৎপা ক্রিমিনেল কন্টেম্প্ট কেসকী এমিকস ক্যুরি দিসচার্জ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস) : হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর ১১ দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরগী মতুংইন্না এপোইন্টমেন্ট পীখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এদমিনিষ্ট্রেটরনা মঙোন্দা ওথোরাইজ তৌদবা থবক থৌওংশিং চত্থরে হায়বগী চার্জদা কোর্টসিদা ৱাকৎলুবদগী মহাক্কী মথক্তা ফাইল তৌরকপা কন্টেম্প্ট কেস (সিভিল) নম্বর- ৫৯ ওফ ২০২০গী ওর্দরদগী ক্রিমিনেল কন্টেম্প্ট কেস মায়োক্নরবা য়ুমখাম কান্ত রোয়গী কেসতগী মসিগী এমিকস ক্যুরি দিসচার্জ তৌখ্রে।

ৱাই কান্ত রোয়গী মথক্তা লৌখৎপা কন্টেম্প্ট কেস (ক্রিমিনেল) অদুগী নম্বর- ৩ ওফ ২০২০ নি। কেস অসি মহাক্কী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা কন্টেম্প্ট কেস (সিভিল) নম্বর- ৫৯ ওফ ২০২০গী মতাংদা জুলাই ৭, ২০২০ দা পীখিবা রুল্লিংগী মতুংইন্না লৌখৎলকপনি। অদুগা ক্রিমিনেল কন্টেম্প্ট কেস অসিগী ৱায়েল চত্থনবগীদমক কোর্টনা মশাগী অয়াবা লৌরগা কাউন্সেল লাইশ্রম শশিভুশনবু এমিকস্ ক্যুরি ওইনা খনখিবনি।

কেস অসি ঙসি জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিন অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চতা লিষ্ট তৌখি। কোর্টনা মসিগী কোজ লিটেকী আইটেম নম্বর-১ দা লিষ্ট তৌবা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা কেস অসিগীদমক এমিকস ক্যুরি ওইনা হাপখ্রবা কাউন্সেলগী মায়কৈদগী মহাক্না কেস অসি পায়বদা মঙোন্দা খুদোংচারোইদবা খরা লৈরে। মরম অদুনা মহাকপু কেস অসিগী এমিকস ক্যুরি ওইবদগী দিসচার্জ তৌবীনবা কোর্টতা হায়জখি।

কোর্টনা এমিকস ক্যুরিগী ৱাফমসিদা অয়াবা পীবদগী মহাকপু কেস অসিগী এমিকস ক্যুরি ওইবদগী দিসচার্জ তৌখি। অদুম ওইনমক ক্রিমিনেল কন্টেম্প্ট কেস অসিগী মখা তাবা ৱায়েল চত্থবা য়ানবগীদমক অতোপ্পা এমিকস ক্যুরি অমা হাপ্পবগীদমক মেট্টর অসি মথং থাগী ৫দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি। ...*মখা লামায় ৩ কলম ৩*

ষ্টারস প্রোজেক্ট অয়াবা পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা য়ুনিয়ন কেবিনেটকী মীফম্না ন্যু এদ্যুকেসন পোলিসী (এন ঈ পি) গী মখাদা ষ্ট্রেংথনিং টিচিং -লর্নিং এন্দ রিজল্টস ফোর ষ্টেটস (ষ্টারস) প্রোজেক্ট অয়াবা পীখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসনগী দিপার্টমেন্ট ওফ স্কুল এদ্যুকেসন এন্দ লিটরেসিনা লুপা ক্রোর ৫,৭১৮ চঙনা পায়খৎকদৌরিবা প্রোজেক্ট অসিনা ষ্টেট পুন্নমক্তা স্কুল এদ্যুকেসনগী ফীভম ফগৎহনবা ঙম্লগনি হায়না য়ুনিয়ন কেবিনেটকী মীফম লোইরবা মতুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রকাশ জাবেদকরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

পর কেপিটা জি দি পিদা বাংলাদেশনা ইন্দিয়াদগী হেনখ্রগনি : আই এম এফ

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী) : শেল-থুমগী ফীভম কা হেন্না শোকচিল্লকপা মরম্না চহী অসিগী পর কেপিটা জি দি পিদা বাংলাদেশনা ইন্দিয়াদগী মাঙজিল থাখ্রগনি হায়না ইন্টরনেসনল মোনিটরি ফন্দ (আই এম এফ)- ৱর্ল্ড ইকনমিক আউটলুক (দল্লিয়ু ঈ ও)গী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অসিনা হায়, বাংলাদেশকী জি দি পি চাদা ৪ হেনগৎলক্তুনা দোল্লর ১,৮৮৮ য়ৌরগনি। ইন্দিয়াগীনা চাদা ১০.৫ হন্থরক্তুনা দোল্লর ১,৮৭৭ ওইরগনি। ফীভম অসিগী মতুংইন্না সাউথ এসিয়াদা ইন্দিয়ানা অহুমশুবা খ্বাইদগী লায়রবা লৈবাক ওইগদৌরি। পাকিষ্টান্না খ্বাইদগী মকোক্তা অমসুং নেপালনা অনীশুবদা লৈরি। ভুটান, বাংলাদেশ, মালদিবস অমসুং শ্রিলঙ্কানা ইন্দিয়াদগী মাঙজিল থাখিবা য়ানা লৈরে হায়রি।

দল্লিয়ু ঈ ওগী দেটা মতুংইন্না মালেমগী মফম পুম্নমক্তা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা সাউথ এসিয়াদা শেল-থুমগী ফীভম খ্বাইদগী শোকচিল্লক্লবা লৈবাক ইন্দিয়া ওইরগনি। নেপাল অমসুং ভুটানগী ওইনদি চহী অসিদা শেন্মীৎলোনগী ফীভম তপ্না তপ্না ফগৎলকপা য়াই হায়না থাজনরি। মথং চহীদা ওইরক্কদবা ফীভমগী মতাংদা রিপোর্ট অসিনা হায়, কুমজা ২০২১ হৌগৎলকপদা ইন্দিয়াগী জি দি পি চাদা ৮.২ য়ৌরক্তুনা পর কেপিটা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

য়াসকী দিরেক্টর ওইনা থৌ পুরম্বা আই এ এস ওফিসর ডা. কে শ্যামসুন্দর লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর ওইনা থৌ পুরম্বা আই এ এস ওফিসর ডা. কোন্সম শ্যামসুন্দর ঙসি অয়ুক অঙনবদা লৈখিদ্রে। মহাক মশাগী চহী ৪৩ রোম শুখ্রে।

হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদগী ন্যু দিল্লিদা লৈবা গঙ্গারাম হোস্পিটালদা মশাগী অনাবা অমদগী ডা. কোন্সম শ্যামসুন্দর লায়েংদুনা লৈরক্লবা মতুং ঙসি অয়ুক পুং ২.৩০ রোম তাবদা লৈখিদবনি। মহাক রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী দিরেক্টরগী থৌসু পুরমখিবনি।

আই এ এস ওফিসর ডা. কোন্সম শ্যামসুন্দরগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংনা ঙসি নুংথিল ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবগা মণিপুর লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসল কয়ানসু হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকখি।

রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনসু আর দি এন্দ পি আরগী দিরেক্টর ওইরম্বা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমারদা বেষ্ট পেপর এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস) : টাইপৈদা লৈবা হোৱর্দ প্লাজা হোটেলদা এপ্লাইদ এন্দ এদভান্স সাইন্স একচেঞ্জ ইন্টরনেসনল কনফরেন্স (এ এ এস ঈ) অমদি বিজিনেস, এদ্যুকেসন, সাইন্স, মেনেজমেন্ট (বি ঈ এস এম)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল কনফরেন্সতা ঙসি পাউচে অসিগী কলমনিষ্ট ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমারবু সেসন চ্যের ওইনা খল্লকপগা লোয়ননা মহাক্কী রিছার্স পেপরদা বেষ্ট পেপর এৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে।

WELCOME TO TAIPEI !!
BESM
BUSINESS, E
SCIENCE, M

মহাক্কী রিছার্স পেপরগী মমিং ‘দি ইস্পেক্ট ওফ রেগ্যুলর এক্সর্সাইজ ওর স্পোর্টস পার্টিসিপেসন ওন ষ্টুদেন্টস একাদেমীক পর্ফোমেন্স’ হায়বসিনি। এৱার্দ পীরক্লবা মহাক্কী রিছার্স পেপর অসিগী মরুওইনা পাউজেলদি চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা অমসুং শান্ন-খোৎনবদা শরুক য়াবা মহৈরোয়শিংনা হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌদবা অমসুং শান্ন-খোৎনবগী থৌরম য়াওদবা মহৈরোয়শিংদগী লাইরিক-লাইশুদা পূক্নিং চঙবা হেল্লি অমসুং তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা মীশক অমা ওই হায়বসিনি। মহৈরোয় অমগী পুন্সিদা হকচাং শাজেল তৌবনা কান্নবা কয়ামরুম পী হায়বা পাউজেল অমা মহাক্কী পেপর অসিদা ময়েক শেংনা য়াওরি।

ওনলাইন মেদিএসনদা ফেমিলি কোর্টকী কেস অমা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী ইহান হানবা ঈ/ওনলাইন মেদিএসন অমা ঙসি পাঙথোক্তুনা ফেমিলি কোর্টকী কেস অমা লৌখৎলগা মসিগী পার্টিশিংগা পুন্না খন্নখ্রে।

অহানবা ঈ/ওনলাইন মেদিএসন অসি নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা) গী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) না পাঙথোকখিবনি।

লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সকী এ দি আর সেন্টরদা লৈবা মসলসাগী মেদিএসন অসিদা লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি অসিগী মেম্বর সেক্রেটরিসু ওইরিবী মেদিএসন সেন্টরগী কোওর্দিনেটর গোলমৈ গাইফুলশিল্লুনা প্রেসাইদ তৌখি। ঙসি লৌখৎখিবা ফেমিলি কোর্টকী কেস অসিগী মথংগী সিটিংনা থাসিগী ১৬তা পাঙথোক্লবসু লেপখি।

ষ্টেটকী অহানবা ঈ/ওনলাইন মেদিএসন অসিগী মতাংদা মসলসাগী মেম্বর সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখিবদা ঈ/ওনলাইন মেদিএসন অসি দিসপ্যুটশিং ওনলাইন মেকানিজম অমসুং অতোপ্পা ইলেক্ত্রোনিক পান্থেংগী খুথাংদা সেট্টল তৌনবগীদমক মীয়ামদা এৱেয়রনেস পীনবগী লৌখৎলকপনি। মসিগী ৱাখল্লোন অসিনা লৈবাকসিদা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইদুনা ইন্সটিট্যুসন পুম্নমক্কী নোর্মেল ফঙ্কসনশিংদা অথিংবা পীরকপদগী লাকপনি হায়রি।

ঈ/ওনলাইন মেদিএসন হৌদোকপনা লৈবাক অসিদা মসিগী খুথাংদা কেসশিং দিস্পোজ তৌবদা অনৌবা ঈনোৎ অমা পীরগনি। মরম অসিনা প্রিন্ট মীদিয়া অমসুং পাউমীশিংনসু লিগেল সর্ভিসেস অমসুং লিগেল ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

ꯍꯣꯖꯔꯦ হৌজরে ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀꯦꯕ ꯁꯔꯚꯤꯁꯦꯁ হৌজরে

নিংথিনা সেনিতাইজ তৌরবা

Manipur Cab Service হৌজরে।

মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা বুক তৌবিয়ু।

Dial: 18003453838

6909967574 / 8258070746

6909608909 / 9402267525

Service starts 9:00 a.m.

Service upto 5:00 p.m.

MANPUR CAB SERVICES

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀꯦꯕ ꯁꯔꯚꯤꯁꯦꯁ

Manipur Cab Services

2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal

Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.

HL-B/6441/7th Oct. to 5th Nov.

MANIPUR CAB

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫